Rs. 450/-/2 Months + TataSky FREE
54cm Slim TV
170Lt Refri: Handle
6kg Washing Machine
Rs. 18500
Color Mobile FREE
Jolly Kakching + VIP Thoubal + PS Nambol
LG Palace Gate. Chingtam. Khoyathong Rd.
Videocon House. Sarajeevan. Paona Bz.

# পোক্নফম

Rs. 450/-/2 Months + TataSky FREE
54cm Ultra S. TV 300W VFS
190Lt Refri: Samsung
6.8kg Videocon Washer/6.5kg Samsung
Rs. 20999
Jolly Kakching + VIP Thoubal + PS Nambol
LG Palace Gate. Chingtam. Khoyathong Rd.
Videocon House. Sarajeevan. Paona Bz.



নোংমৈবুং বজারদা লৈবা ইস্তর্ন স্তুদেন্তস ক্লব স্পোর্তস কমপ্লেক্সতা নুমিৎ ১০নিগী ওইবা গান্ধী শিল্প বজার অমসুং স্পিসিএল হেন্দলুম এক্সপো ২০১১ মিনিস্তর ইরাবতনা মৈরা চুখত্তুনা হৌদোকপা



বিষ্ণুপুরদা পোস্ত হাংদুনা লৈবা ৩৩ শুবা আসাম রাইফলসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম

চীংমৈরোং লৈ-ইস্খোলগী লেপ্রোসি পেসেন্তশিংদা মিনিস্তর ইরাবত অমসুং কৈশামথোংগী লৌরেম্বম কমলা দেবীনা কম্বল য়েন্থোকপা



Regd. 28436/75; MNP No. 66 Vol.36 No. 262 | 10 Pages IMPHAL, MONDAY, OCTOBER 31, 2011 হিয়াঙৈগী ৫ নি পানবা, নিংথৌকাবা www.poknapham.in Rs. 3.00

## লফু মশিংদগী লং শুংদুনা কান্নবা লৌবা য়াই

# হেক্তর অমদা লুপা ৪৯,৮৯৫ ফংবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ

*পোক্নফম নিউজ সার্বিস*

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ঃ** মণিপুর স্তেত অসি লফু মরাং কায়না হৌবা মফম অমা ওইবনা লফু মশিংদগী লং শুংদুনা কান্নবা লৌবা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ হায়না মণিপুর এস এফ এ সি (মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রো বিজিনেস কন্সোর্তিয়ম) গী প্রোজেক্ত কোওর্দিনেতর এম এস খাইদেমনা পাউ-চে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা লফু পাম্বীসি পঙহৌদা হৌগনবা পাম্বী অমা ওই। ইং ২০১০-১১ দা দিপার্তমেন্ত ওব হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন্না লম হেক্তর ৫৮৪১ দা লফু থাখি। মসিগী মথক্তা লফুসি মণিপুরগী লম হেক্তর লীশীং ১৫ দা মরুওইনা চীংগী দিস্ত্রিক্তশিংদা হৌরি। মণিপুরদা লম হেক্তর ২০,৮৪১ দা লফু হৌই হায়না পাবা য়াই হায়রি।

লফু পাম্বী মখল খরা এঞ্জাংগী মথেল ওইনা মীয়াম্না চানরবসু অয়াম্বদি অমোৎপা ওইনা লম্বীগী মতাইদা, ইস্খোলদা হুন্দোক্তুনা মাঙহল্লি। মসিনা অকোয়বগী ফীবম মোৎশিলহন্নবগী মরম ওই হায়নসু এম এস খাইদেমনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।



লফু পাম্বীগী মশিংদগী লং লৌদুনা কান্নবা পোৎশক ওন্থোকপগী থবক মফম খরদা পায়খৎনরক্লি হায়রদুনা এম এস খাইদেমনা হায়, মরুওইনা কে ভি কে (কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র) ৱেস্ত গারো হিল, মেঘালয়দা ইং ২০০৯-১০ দা লফু মশিংদগী লং শুংবগী মতাঙদা ত্রেনীং অমসুং দেমোনস্ত্রেসন পাঙথোক্তুনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ(এস ঐচ জি) অমসুং ইন্তরপ্রেন্যুর কয়াগী পুক্নীং চিংশিনখ্রে। লোয়ননা য়ূম্লোন্নরিবা স্তেত নাগালেন্দগী কে ভি কে মকোকচুংদসু চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১৭ তা 'ফার্স্ত বানানা ফাইবর এক্সত্রেক্সন য়ুনিৎ' অমা ওফিসিএল ওইনা হাংদোক্তুনা লৌমীশিং, এস ঐচ জি অমসুং ইন্তরপ্রেন্যুরশিংদা এৱার্নেসন পীবগী থবক চঙশিনবা হৌখ্রে।

এম এস খাইদেমনা মখা তানা হায়, নবশ্রী এগ্রিকলচরেল য়ুনিবর্সিতি গুজরাত; সেন্ত্রেল ইনস্তিত্যুত ওব রিসার্চ ওন কত্তন তেক্নোলোজি (সি আই আর ও তি) মুম্বাই; মেনমেদ তেক্সতাইল রিসার্চ; এসোসিএসন সুরত অমসুং জে কে পেপর লিমিতেদনা পূন্না খূৎশম্নদুনা পায়খৎপা ৱার্ল্ড বেঙ্কনা ফন্দিং তৌবা প্রোজেক্ত অমা ওইরিবা নেসনেল এগ্রিকলচরেল ইনোভেতিব প্রোজেক্ত (এন এ আই পি) কী ফাইন্দিংদা লফুগী অমোৎ অকায়দগী সাইন্তিফিক ওইবা মওংদা কান্নবা ওন্থোকপা য়াবা কয়ামরুম খঙদোকখ্রে। প্রোজেক্ত অদুদা লফুদগী শরুক মরি থোক্লা কান্নবা লৌবা য়াবশিং খঙদোকখি। লফুদগী লং শুংবা, ভর্মি কম্পোজ শেম্বা, লিক্কুইদ ফর্তিলাইজর অমসুং মিথাই নত্ত্রগা অচার শাবগী ওইথোকপশিং থিদোকখি। লফু হেক্তর অমদগী অকংবা লং কে জি ৫৮৭ পুথোক্লবা হোৎনবদা মৈগী, খূৎশূমনগী পৈশা য়াওরগা পূন্না লুপা ২৬,৭১৭ চঙই। অদুবু লং অদু য়োনবদদি কে জিদা লুপা ৮৫ গী চাংদা পাবদা লুপা ৪৯,৮৯৫ রোম ফংবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। মসিদা নত্তনা ভর্মি কম্পোজ, লিক্কুইদ ফর্তিলাইজর অমসুং চান্ন-থক্লবা পোৎলম কয়ামরুমসু পুথোক্তুনা শেল তানবগী ওইথোকপা লৈ। মসিনা মণিপুরদা হৌরিবা লফু হেক্তর ২০,৮৪১ অসিদগী তঙ্খায় খক ওইরবসু নীংথিনা শীজিন্নদুনা পোথোক পুথোকপদা চহীদা লুপা কোতি ৫৩.১২ তানবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।